অমিত শর্ম্মনা ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজিদা ৱর্ল্ড রেকোর্দ ৬ থমদুনা অনৌবা পুৱারী অমা শেমখ্রে

cheapflightsAll.com

ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ১০ (এজেন্সী): চীপফ্লাইটসওল দোট কোমগী মপু অমিত শর্ম্মনা মালেমদা খ্বাইদগী চাওবা ষ্টেটিক ৱেব সাইট শেমদুনা তোঙান-তোঙানবা রেকোর্দ ৬ থম্বা ঙমখ্রে।

টেরাবাইট ৫গা মান্নবা পেজ ক্রোর ৩২ শেমদুনা নুমিৎ ২৩গী মনুংদা মালেমগী তোঙান-তোঙানবা লৈবাক ১৫৯ শম্নহনবা ঙমখিবগীদমক অমিত শর্ম্মগী মিং লিমকা বুক ওফ রেকোর্দ ২০১৯, ইন্টর্নেসনল বুক ওফ রেকোর্দ ২০১৮, ৱর্ল্ড বুক ওফ রেকোর্দ ২০১৯, ইন্দিয়ন এচিভর বুক ওফ রেকোর্দ ২০১৯, ইন্দিয়া বুক ওফ রেকোর্দ ২০১৯ অমসুং এসিয়া বুক ওফ রেকোর্দ ২০১৯দা চনবা ঙমখি।

শুপ্নগী নুমিৎ ২৩গী মনুংদা অমিত শর্ম্মনা শেমগৎপা চীপফ্লাইটসওল দোট কোমনা মালেমদা খ্বাইদগী চাওবা ষ্টেটিক ৱেবসাইটনি। ঈ-কর্ম্মসকী লমদা মাংজিল থাবা কম্পেনিশিংনা এদভর্টিজমেন্ট দোল্লর মিল্লিয়ন কয়ামরুম থাদবগা লোয়ননা মালেমগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা লৈরিবা কষ্টম্মরশিংগী মীৎয়েং চিংশিন্নবা হোৎনবদা খুদোংচাবা কয়া মায়োক্নরি।

অমিত শর্ম্মগী ৱেবসাইট অসিগী মতেংদগী এদভর্টিজমেন্টতা চঙবা শেনফম হন্থহনবা ঙম্বগা লোয়ননা তোঙান-তোঙানবা মফমদা লৈবা কষ্টর্ম্মশিংগী মীৎয়েং চিংশিনবা ঙম্লগনি। রেভিন্যু ষ্ট্রিংগী মতাংদা শর্ম্মনা হায়খি, চীপফ্লাইটসওল দোট কোমগা মরী লৈনবা রেভিন্যু চেনেল কয়া মরুম লৈ।

ষ্টেটিক ৱেব পেজ ক্রোর ৩২দা ফ্লাইটল অমদি হোটেলগী বুকিং তৌনবগী খুদোংচাবা পীরি। সিক্যুরিটিগী মতাংদা নুংনাংবা ৱাফম পল্লদুনা অমিত শর্ম্মনা হায়খি, কনফিদেন্সিএল টেক্নোলোজি শীজিন্নবা মরম্না ৱেবসাইট অসিদা কনাগুম্বনা হেক তৌবা য়াবগী খুদোংচাবা ফংলোই। মতুং তারকপদা লৌখৎকদবা থৌরাংশিংগী মতাংদা মহাক্না হায়খি, অথুবা মতমদা য়াম্না সেফ ওইবা সোসল মিদিয়া প্লেটফোর্ম অমা লোঞ্চ তৌরগনি।

মীওই কয়াদা ফেক একাউন্ট শীজিন্নবা অমসুং সাইবর ক্রাইমগী চাং ৱাংখৎলকপা মরম্না মথৌ তাবা চেকশিন থৌরাং পুন্নমক লৌখৎলবা মতুংদা অনৌবা সোসল মিদিয়া প্লেটফোর্ম অমা শেমগৎনবা থৌরাং লৌখৎলকপনি। অমিত শর্ম্মনা পুথোরক্লিবা ষ্টেটিক ৱেবসাইট অসিনা ঈ-কর্ম্মস ইন্দষ্ট্রিদা য়াম্না চাওনা অহোংবা অমা শোইদনা পুরক্লগনি হায়না থাজনরি।

অতেনবামতমগীমনুংদাঅসিগুম্বা মখলগী ৱেবসাইট পুথোকপা ঙম্বা অমিত শর্ম্মনা অহানবনি হায়রি।

ইন্দিয়া অমদি নেপালনা সাউথ এসিয়াগী অহানবা মোটিহরি-অমলেখগুঞ্জ ওইল পাইপলাইন শঙ্গাখ্রে

ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ১০ (এজেন্সী): ইন্দিয়া অমদি নেপালনা সাউথ এসিয়াগী অহানবা ক্রোস বোর্দর পেট্রোলিয়ম প্রদক্স লিঙ্ক থাদোক থাজিন তৌরিবামোটিহরি-অমলেখগুঞ্জ ওইল পাইপলাইন শঙ্গাখ্রে।

চীংনা কোইশিনবা হিমালয়াগী লৈবাক অসিদা থাও পুথোক পুশিন তৌবদা চঙলম্বা শেনফম কা হেন্না হন্থহনবা ঙম্লগনি হায়না থাজনরি। সাউথ এসিয়াদা চাওনা কান্নবা পীগদৌরিবা ওইল পাইপলাইন শঙ্গাবগী থৌরমদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং নেপালগ মহাক্কা মফম মান্নবা কে পি শর্ম্ম ওলিনা শরুক য়াখি। ভিদিও কনফরেন্সকী খুথাংদা লুচিংবা অনীনা সাউথ এসিয়াগী অহানবা ক্রোস বোর্দর পেট্রো পাইপলাইন শঙ্গাখিবনি।

হিরম অসিগী মতাংদা নেপালগী ওফিসলশিংনা হায়খি মদুদি কিলোমিটর ৬০ শাংবা পেট্রোলিয়ম পাইপলাইন অসি শীজিন্নরগা অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা বিহারগী মোটিহরি সিটিদগী দিজল সপ্লাই তৌগদৌরি। নেপাল রোম থংবা মায়কৈদা পাইপলাইন অসিবু অমাং অতা থোকহন্দনবগী মতাংদা নেপাল আর্মিনা ঙাক শেনবগী থৌদাং লৌরগনি হায়না মরী লৈনবা ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি, কুমজা ১৯৭৩দগী হৌজিক ফাওবা ইন্দিয়ানা নেপালদা থাও পীবদা পেট্রোলিয়ম টেঙ্কর কয়া মরুম শীজিন্নদুনা লাকখিবনি। য়ুমলোন্নবা লৈবাক অনীগী মরক্ত অচেৎপা থম্নবগী খুদম অমা ওইনা ইন্দিয়া- নেপাল ইন্নর্জি কো-ওপরেসন প্রোজেক্ট পায়খৎতুনা মোটিহরি- অমলেখগুঞ্জ ওইল পাইপলাইন শেমখিবনি।

প্রোজেক্ট অসিনা মরম ওইরগা নেপাল ওইল কোর্পোরেসন (এন ও সি)না চহী খুদিংগী লুপা বিল্লিয়ন ২ রোম কনবা ঙম্লগনি হায়না থাজনরি। পেট্রোলিয়ম টেঙ্করনা থাও হোনে দাক হোঞ্জিন তৌবদা লিক ওইবদগী অরেম্বদা মাংলম্বা পেট্রোলিয়ম প্রদক্সশিংসু হৌজিক্তি মাঙহন্দবা ঙম্লগনি য়ননা থাজনির।

কুমজা ১৯৯৬তা অহানবা ওইনা মোটিহরি-অমলেখগুঞ্জ ওইল পাইপলাইন প্রোজেক্টকী ৱাফম হৌদোকখিবনি। অদুবু কুমজা ২০১৪দা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা কাথমান্দুনা চৎপা মতমদা প্রোজেক্ট অসি পায়খৎনবগী অরোইবা ৱারেপ লৌখিবনি।

কুমজা ২০১৫কী ওগষ্টতা য়ুমলোন্নবা লৈবাক অনীনা ওইল পাইপলাইন প্রোজেক্ট পায়খৎনবগী মতাংদা য়ান্নচে অমা খুৎয়েকপীনখি। অদুবু কুমজা ২০১৫দা অকনবা য়ুহা হাবগী থৌদোক অমা নেপালদা থোকখিবনা মরম ওইরগা মতম চানা থবক পায়খৎপা ঙমখিদে। মমাঙ চহগী এপ্রিলদা প্রোক্টে অসিগী থবক পায়খৎপা হৌখিবনি।

বি জে পি লৈঙাক্কী মখাদা ৱিমেন ইম্পৱরমেন্টকী মতাংদা অচৌবা ৱাহং কয়া থোরক্লে ঃ কোংগ্রেস

ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ১০ (এজেন্সী): ভারতিয়া জনটা পার্টি (বি জে পি)না লুচিংবা সেন্টেরগী লৈঙাক মখাদা ৱিমেন ইম্পৱরমেন্টকা মরী লৈননা ৱাহং কয়া থোরক্লে হায়না কোংগ্রেসনা ফোঙদোকখ্রে।

পাউগী মীফম অমদা ৱা ঙাংখিবদা কোংগ্রেসকী লুচিংবা রাগিনি নায়ক্না হায়খি, লৈবাক অসিদা হৌজিক নুপীশিং খুদোংথিবা মায়োক্নবগী ফিভমদা লৈরি। হৌখিবা থা ৬কী মনুংদা রেপকী থৌদোক্কা মরী লৈনবা এফ আই আর ২৪,০০০ ফাইল তৌরকখি। হায়রিবা এফ আই আরশিং অদুগী মনুংদা শুপ্নগী কেস ৯০০ রোমদমক পুলিসনা মপুং ফানা ইনভেষ্টিগেসন চথুখি।

উত্তর প্রদেশকী মতাংদা রাগিনি নায়ক্না হায়খি, অসিগুম্বা মখলগী ক্রাইম থোকপগী মতাংদা ষ্টেট অসিনা খ্বাইদগী মাংজিল থানা লৈরি। উত্তর প্রদেশতা রেপ কেসকী এফ আই আর ৩৪৫৭ ফাইল তৌরকপদা শুপ্নগী এফ আই আর ২৩ খক নীংথিনা ৱায়েল চথুরগা অরোইবা ৱারোইশিন পুরকপা ঙমখি।

লৈবাক্কী তোঙান-তোঙানবা মফমদা মতৌ অসুম্না নুপীবু হন্থবা থাক্তা থম্বগী মওং অমা লৈরিবসি কোংগ্রেসনা চপ চানা থেংনদুনা খন্নাইদা নুপীশিংগী ফিদা অমমম ফঙহন্নবা থৌরাং লৌখৎলগনি হায়রি।

উত্তর প্রদেশকী পুলিসনা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী য়াকা য়েংলগা থবক তৌবগী মওং অমা উবা ফঙলে হায়না পাল্লদুনা মহাক্না হায়খি, অজমগরদা মহৈরোয়শিংবু শুমজিৎ পায়রগা স্কুলগী কেম্পস শিৎ শেংবগী থৌওং চথুহনখি। থৌদোক অদুগী পাউ ফোঙলুবা পাউমীগী মায়োক্তা কেস ফাইল তৌবগী থৌদোক থোকপা লৈখ্রে। য়ু পিগী অতৈ অতোপ্পা মফম খরদসু অসিগুম্বা মখলগী থৌদোক কয়া থোকখিবগী রিপোর্ট লৈরে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

ষ্টেট অসিদা হৌজিক নুপীবু হন্থবা থাক্তা থল্লি হায়না মরাল শীরদুনা রাগিনি নায়ক্না হায়খি, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা বেতি বচাও, বেতি পরহাও হায়বা খোল্লাউ লাউরবসু য়ু পিদা নুপীশিংবু হন্থবা থাক্তা থল্লি। কোর্টনা য়াথং পীরক্লবা মতমদতা য়ু পি গী ষ্টেট এদমিনিষ্ট্রেসনা নুপীশিংগী য়াইফনবা থৌরাং লৌখৎপগী মওং অমা উবা ফঙলি। বি জে পিগী নুপী লুচিংবীশিংনসু পুন্নমক অসি খঙনা খঙনা খঙশিন্নদবা শাদুনা লৈথোকপগী মওং অমা উবা ফঙলে হায়নসু মহাক্না মরাল শীখি।

ইন্দিয়ন নেসল লোক দলগী এম এল এ ৪ দিসক্কালিফাই তৌখ্রে

চান্দিগর, সেপ্টেম্বর ১০ (এজেন্সী): জন্নয়খ জন্তা পার্টি (জে জে পি)দা য়াওখ্রবা ইন্দিয়ন নেসনল লোক দল (আই এন এল দি)গী এম এল এ ৪ হরিয়ানা এসেমব্লীগী স্পিকর কনৱর পালনা দিসক্কালিফাই তৌখ্রে।

হরিয়ানা এসেমব্লীগী মীখল পাঙথোক্কদবা থা অমরোম ৱাৎলিঙৈদা থৌরাং অসি লৌখৎলকপনি। এসেমব্লীগী স্পিকরনা দিসক্কালিফাই তৌখ্রবা এম এল এ শিং অদুদি অজয় সিংহ চৌতালাগী লোয়নবী নাইনা সিংহ চৌতালা, উক্লানাগী এম এল এ অনুক ধানক, দাদ্রিগী এম এল এ রাজদিক ফোগত অমসুং নরৱানাগী এ এল এ প্রিথি সিংহনি।

আই এন এল দিগী বলৱন সিংহ অমসুং পার্টি অসিগী সিনিয়র লিদর অভয় সিংহ চৌতালানা ফাইল তৌরকখিবা পিটিসন অনীদা য়ুম্ফম ওইরগা আই এন এল দিগী এম এল এ ৪ দিসক্কালিফাই তৌখিবনি হায়না স্পিকরনা ফোঙদোকখি।

জে জে পিদা য়াওখ্রবা এম এল এ মরি দিসক্কালিফাই তৌহন্নবগী পিটিসন অদু মার্চ ২৫অমসুং জুলাই ২৬তা ফাইল তৌখিবনি। আই এন এল দিগী এম এল এ ওইনা ওইনা অতোপ্পা পার্টি অমদা য়াওখিবগীদমক মখোয় মরীমক এন্টি দিফেক্সন লোগী মখাদা দিসক্কালিফাই তৌফম থোকই হায়না তোঙান-তোঙানবা পিটিসন অনী ফাইল তৌদুনা স্পিকরদা ৱাকৎলকখিবনি।

পাকিস্তান ওকুপাইদ কাশ্মির লৌশিন্নবগী পান্দমদা আর্টিকল ৩৭০ লৌথোকখিবনি ঃ জিতেন্দ্র

ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ১০ (এজেন্সী): প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক্না নুমিৎ ১০০ মপুং ফারকপগী মতাংদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ডা. জিতেন্দ্র সিংহনা হায়খ্রে মদুদি, জম্মু এন্দ কাশ্মিরদগী আর্টিকল ৩৭০ লৌথোকখিবগী থৌওং অদু খ্বাইদগী চাওবা মায় পাকপনি হায়না লৌবা য়াই।

আর্টিল ৩৭০ লৌথোক্তুনা কাশ্মিরদগী স্পেসল ষ্টেটস লৌথোক্লবা মতুংদা পাকিস্তান ওকুপাইদ কাশ্মির লৌশিন্নবা থৌরাং লৌখৎলগনি। ওগষ্ট ৫দা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা আর্টিকল ৩৭০ লৌথোক্লগা জম্মু এন্দ কাশ্মিরবু য়ুনিয়ন টেরিটোরিগী থাক্তা শরুক অনী থোক্না খাইদোকখিবনি। জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা লৌখৎলিবা থৌরাং অদু প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক্না পায়খৎপা খ্বাইদগী শীংথানিংঙাই ওইবা থৌরাংনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

বি জে পিনা লুচিংবা এন দি এনা লৈঙাক পায়রকপা নুমিৎ ১০০ শুরকপগা মরী লৈননা লৈবাক্কী তোঙান-তোঙানবা মফমদা পাঙথোক্লিবা থৌরম অমদা শরুক য়াখিবদা ডা. জিতেন্দ্র সিংহনা হায়খি, নুমিৎ ১০০নি শুরবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী লৈঙাক্না খ্বাইদগী শীংথানিংঙাই ওইবা মওংদা লৌখৎখিবা থৌরাংশিংগী মনুংদা জম্মু এন্দ কাশ্মিরদগী আর্টিকল ৩৭০ লৌথোকখিবা অদুসু অমনি।

করিগুম্বা ভারতিয়া জন্না সঙ্গা হৌদোক্লম্বা ডা. শ্যাম প্রসাদ মুখর্জি হিংলম্বা থোক্লবদি কাশ্মিরগী মতাংদা লৌখৎখিবা থৌরাং অদু শোইদনা থাগৎপা ফোঙদোক্লমগনি।

ꯊꯥꯒꯠꯄ/ খোঙ হান্বা য়াদবা, খোঙ হান্বা য়ানবা হীদাক চারসু হীদাক চারিবা ফাওবদং হান্বা, হীদাক চাদ্রগনা হান্বা য়াদবা, অমাংথোঙ অকোয়বদা ফুরি মকুপ-মকুপ থোকপা, চাথৎলগা য়াম্না হাকৎচবা ফহনবগী ওজা Kayamuddin বু ঙমখৈ লৈতনা থাগৎচরি



ঐগী হকচাংদা নুংশঙনা য়াম্না কন্না নাদুনা খোঙ হান্বা য়াদবা, খোঙ হান্বা য়ানবা হীদাক চারসু হীদাক চারিবা ফাওবদং হান্বা, হীদাক চাদ্রগনা হান্বা য়াদবা, অমাংথোঙ অকোয়বদা ফুরি মকুপ-মকুপ থোকপা, চাথৎলগা য়াম্না হাকৎচবা, শা-ঙা, থাও-মোরোক চাবা য়াদবা চারগনা খোঙ হান্বা য়াদবা অমদি অমাংথোঙদা মরেং-মরেং চৎপা, খোঙ হান্বদা ঈ হেন্না তাবা, পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা চানীং-থক্লিংবা পোক্তবা, হকচাং চোকথবা, চাবা তুমদবা, ফৈগল অমদি নিংজোল হম-হম লাওরগা য়াম্না চিকপা-নাবা, খোঙ হেন্না হান্বা, ইতোন ফাইবা, খোঙ হান্বা লিকপা তৌরম্বা অদু **MV. Kayamuddin Phundreimayum ☎ 8413870027, 8837496469, 8575814720** দা মতম খরা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিংদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা MV. Kayamuddin বু মতম চুপ্পদা মীয়ামগী সেবা তৌবা ঙম্বা ওইসনু, মহাকপু পাউচেগী থোঙদা হন্না হন্না থাগৎচরি।

1. Mayang Imphal Bengoon Leirak Achouba Bazar : 7.00 am to 11.00 am.
2. Hatta Minuthong near Traffic Signal Bazar : 12.00 noon to 5.00 pm.
3. Tiddim Road Old Bazar ICICI Bank Opp. CCpur, 7:00 am to 4:00 pm

থাগৎচরিবী : **Sarungbam (O) Sarita Devi,** Senjam Khunou

HL-P/3741/11

কাশ্মিরগী মফম খরদা অমুক হন্না অথিংবা থমজিনখ্রে

শ্রিনগর, সেপ্টেম্বর ১০ (এজেন্সী): মহারমগা মরী লৈননা প্রোসেসন পাঙথোকপা ঙমহন্দনবগী পান্দমদা লৈঙাক্না কাশ্মিরগী তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা নৌনা অমুক অথিংবা থমজিনখ্রে।

ওফিসলশিংনা হায়খি, লল্লোল ইতিক্কী মরু ওইবা মফম অমা ওইরিবা লাল চোক অমদি মনা নকপা মফমশিংদা মশিং য়াম্লবা সিক্যুরিটি পার্সনেল থমদুনা মীয়ামগী চথোক চৎশিন্দা অথিংবা থম্লে।

কাশ্মির তম্পাক্তা লো এন্দ ওর্দর ঙাক্নবগী পান্দমদা তঙাইফদনা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা মফম খরদা অথিংবা থমখিবনি হায়রি। হৌজিক ফাওবা ওফিসলশিংনা করি মরমগী মফম খরদা অথিংব থম্লিবনো হায়বগী মতাংদা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরক্ত্রবসু শ্রিনগর অমদি কাশ্মির তম্পাক্কী অতৈ অতোপ্পা মফম কয়ামরুমদা মহরমগা মরী লৈননা মীয়াম পুল্লকপা য়াই হায়না চিংনবদগী নৌনা অথিংবা থমখিবনি হায়না থাজনরি।

ইস্লাম লাইনিং চৎপা মীওইশিংগীদমক্তদি মহরমবু য়াম্না মরু ওইনা লৌনরি। করবালাগী লানফমদা প্রোফেট মহমদকী মশুনুপা হজরট ইমাম হুসেননা থৱায় থাখিবগী থৌওংবু নীংশিংদুনা মহরমগী থৌরম পাঙথোক্তুনা লাকখিবনি।

কাশ্মিম তম্পাক্কী মফম অয়াম্বদসু মখা তানা অথিংবা থমখিবদগী মীয়াম্না চথোক চৎশিন তৌবা অমসুং মহৌশাগী ফিভমদা চাওনা অকায়বা থোকহনখ্রে।

কৈথেল অমদি অতৈ লল্লোল ইতিক তৌফম পুন্নমক থোং লোনবগা লোয়ননা লম্বীদা গাড়ি অমত্তা চেনখিদে। হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ফরুক অব্দুলা, ওমার অব্দুলা অমদি মেহবুবা মুফতি য়াওনা তোঙান-তোনবা পোলিটিকেল লিদরশিং হাউস এরেষ্ট তৌদুনা থল্লে হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি।

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR; IMPHAL WEST - PATSOI

Ref :- Mut. Case No. 727/SDC/IW(P) of 2019

1. Thoudam Radhe Devi W/o (L) Th. Mohen Singh of Langjing Achouba Awang Leikai.
2. Thoudam Disanta S/o (L) Th. Mohen Singh of -do-...*Petitioners*

-Vrs-

1. Thoudam Biramangol Singh S/o (L) Yaima Singh of Langjing Achouba
2. (Late) Thoudam Mohen Singh S/o (L) -do- of -do- ...O.P. Parties

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

10/09/2019

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবশিংগী মফমদা পাউচেগী খুথাংদা খঙহঞ্জরি, ঈ ও পাৎশোই তহশিলগী খুল নম্বর ১০৪-লাংজিং অচৌবগী পাট্টা নম্বর ১৫৭ (অরিবা), ১২৬ (অনৌবা), দাগ নম্বর ৫৭কী এরিয়া .১১ একর চাউবা ইস্ঘোল অসিগী মনুংদা য়াওবা কো পাট্টাদার নং (২) অসি মৃ: ওইখিবনা মথক্তা পল্লিবা দংকারি নং (১) অমসুং (২) অনী অসিনা মৃ: পাট্টাদার মপুরোইবগী অমদি মপাগী স্বর্ত্তদা অমদি দখলগী মতুংইন্না নামা পাঞ্জরগে হায়দুনা উক্ত কোর্টতা অইবা চেরোলনা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা য়েৎপীনীংবা মৃ: পাট্টাদারগা মরী লৈনবা মীওইশিং অমদি মচা-মশুশিংনা য়েৎপীনীংবা লৈরগদি লাক্লিবা তাং ১৯/০৯/২০১৯ ইংগী অয়ুক পুং ১১:০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা দরখাষ্ট থাবীদুনা য়েৎপীহৌবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই অমদি কোর্টকী হুকুম চথুরগনি।

HL-P/4200/11 *Sd/-* **Sub-Deputy Collector**, Imphal West, Patsoi

---

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR; IMPHAL WEST - PATSOI

Ref :- Mut. Case No. 725/SDC/IW(P) of 2019

Shri Chingangbam Dindeyswor Singh S/o (L) Ch. Kullabidhu Singh of Changangei Awang Leikai ...*Petitioner*

-Vrs-

(Late) Chingangbam Kullabidhu Singh S/o (L) Bhaskar Singh of Changangei Awang Leikai. ...O.P. Party

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

10/09/2019

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবশিংদা খঙহঞ্জরি, মদুদি ঈ ও পাৎশোই তহশিলগী খুল নম্বর ৭৮-চঙাঙ্গৈগী পাট্টা নম্বর ৭৮/৪৪ (অরিবা), ১৪১ (অনৌবা), দাগ নম্বর ১৩২৫গী পোইন্ট ০.৩৭ একর চাউবা ইস্ঘোল অসিগী কো পাট্টাদার অসি মৃত ওইখ্রে। অদুনা মরম ওইদুনা মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মহাক্কী স্বতনি হায়দুনা মমিংদা নামা পাঞ্জরগে হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেরোলনা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মৃত পাট্টাদারগা মরী লৈনবা/লৈনবশিং অমদি মচা-মশু, শাগৈ-নাতে কনাগুম্বনা য়েৎপীনীংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ১৯/০৯/২০১৯ ইংগী অয়ুক পুং ১১:০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই কোর্টকী হুকুম মখা চথুরগনি।

HL-P/4198/11 *Sd/-* **Sub-Deputy Collector**, Imphal West, Patsoi

---

ꯈꯪꯍꯟꯖꯕ/ খঙহঞ্জবা

Imphal East District Body Building & Fitness Association (IEDBBFA) অসি Office of the Deputy Registrar of Societies, Imphal East, Govt. of Manipur না শক খঙদুনা কুমজা ২০০০দা Regd. No. 135/IE/SR/2000 ফংখ্রে, লোয়ননা Indian Body Building and Fitness Federation (IBBFF) গী মখাদা কন্টেষ্ট ২০১৭ ফাওবদা ১৭শুখ্রে, লোয়ননা নেসনল অমসুং ইন্টরনেসনল লেভেলগী Bonafide Players কয়ামুক পুথোক্তুনা খ্বাইদগী অরিবা এসোসিএসন ওইরি। হন্দকসু 19th Mr. Imphal East, 2019, IBBFF কী ব্রাঞ্চ ওইরিবা IBBFF Manipur Unit কী মীৎয়েং মখাদা 15th Sept. 2019 দা খুরাই পুথিবা কম্যুনিতি হোলদা এসোসিএসন অসিনা পাঙথোক্দৌরি।

এসোসিএসন অসি বোদি বিল্ডিং তৌরকপা মীওই অমসুং বোদি বিল্ডিংবু নুংশিজবা, য়োকখৎপা পামজবা মীওইশিংনা শেম্বনি। জিম তৌবা, জিমদা মেম্বর ওইবা বোদি বিল্ডরশিং ঙাক্তনা শেম্বা নত্তে। এসোসিএসন অসি চহী অহুমগী ওইনা প্রসিদেন্ট, ভাইস-প্রসিদেন্ট, সেক্রেটরি, এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি, ট্রেজরর অমসুং এগজিক্যুটিভ মেম্বরশিং খন্দুনা টর্ম চহী অহুম (3 years) Office bearers ওইদুনা এগজিক্যুটিভ কম্মিটি/মেনেজিং কম্মিটি শেমদুনা, রেজিষ্টর দিষ্ট্রিক্ট বোদি ওইনা লাকপদুনা 16th November, 2017 তগী 16th Nov. 2020 ফাওবগী ওইনা জেনরেল সেক্রেটরি শ্রী থোইদিংজম জোন সিংহগী লিচিং মখাদা প্রজেন্ট এগজিক্যুটিভ কম্মিটিনা এসোসিএসন অসি ফগৎহনবগা লোয়ননা IBBFF কী ব্রাঞ্চ ওইরিবা IBBFF Manipur Unit কী মখাদা চৎলি।

IEDBBFA অসি, YAS না রিকগনাইজ তৌরে হায়রিবা, ২০১৮দা ফোর্ম তৌবা, All Manipur Body Builders Association (AMBBA) দা শম্নদে। মরমদি, মাগী ওইবা ইন্দিয়ন ফেদরেসন হায়বদি, Indian Body Builders Federation (IBBF) অসি চহী অমগী ওইনা ৱাই এ এসনা রিকগনাইজ তৌজরগসু মাগী ইন্টরনেসনল বোদি দল্লিয়ু বি পি এফ সি দল্লিয়ু এ দি এনা রিকগনাইজ তৌদে, ওলিম্পিক কাউন্সিল ওফ এসিয়া (ও সী এ) না রিকগনাইজ তৌদে, World Beach Games না রিকগনাইজ তৌদে অদুগা মখোয়গী ফেদরেসন্না ইন্দিয়াগী বোদি বিল্ডিরশিংবু ইন্টরনেসনল ফেদরেসন ওফ বোদি বিল্ডিং এন্দ ফিটনেস (আই এফ বি বি) না শিনবা Competitions, Mr. Olympia, Mr, Universe, Mr. Arnold Classic, Elite pro, Diamond Cup etc. দা শরুক য়াহনবা ঙমদে। ঐখোয়গী IEDBBFA না চহী ১৯ চুপ্পা শম্নদুনা লাক্লবা Indian Body Building and Fitness Federation (IBBFF) দি IFBB গী মখাদা লৈ অমসুং WADA, OCA, World Beach Games না রিকগনাইজ তৌই। 2020 Tokyo Olympic সু IFBB দা Link তৌরগা চৎকদবনি।

সেপ্টেম্বরগী তাং ৮ অমসুং ৯, ২০১৯দা লোকল ন্যুজপেপরশিংদা, AMBBAগী মখাদা, All Manipur Body Building & Fitness Association গী G.B. Meeting অমা তাং 4th Aug., 2019 দা পাঙথোক্তুনা এসোসিএসনগী মায়োক্তা, এসোসিএসনবু মচেৎ তানা থুগায়নবা হোৎনরম্বদগী, প্রাইমারি মেম্বরশিপ্তুগী লৌথোকখ্রবা (1st Sept., 2019 দা) হান্নগী President, Executive Member অহুমগা AMBBA গা লৌতুনরগা, হান্না লৈজবা এগজিক্যুটিভশিংদগীসু অরানবা মওংদা শোয় অমসুং অধার খোমদুনা, জিমশিংদগী Representative খোল্লগা অনৌবা ওফিস বিয়রর খন্দুনা ঈ সী অমা শেল্লে অমসুং দিষ্ট্রিক্ট এসোসিএসনগী মমিংসু Imphal East District Body Builders Association দা ওল্লে লাউথোকইবসি লাইবক থীবনি অমসুং কন্দেম তৌই। মসি মরী লৈনবা Office of the Deputy Registrar of Societies, Imphal East না থিংবিয়ু অমসুং অনৌবা ঈ সী অসি nullify তৌবিয়ু অদুগা Regn. Act. Section 10 শীজিন্নবীয়ু।

***Sd/-* Th. John Singh**
Gen. Secretary
Imphal East District Body Building & Fitness Association

HL-P/4203/11

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR; IMPHAL WEST - PATSOI

Ref :- Mut. Case No. 726/SDC/IW(P) of 2019

Shri Chingangbam Dindeyswor Singh S/o (L) Ch. Kullabidhu Singh of Changangei Awang Leikai ...*Petitioner*

-Vrs-

(Late) Chingangbam Kullabidhu Singh S/o (L) Bhaskar Singh of Changangei Awang Leikai. ...O.P. Party

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

10/09/2019

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবশিংদা খঙহঞ্জরি, মদুদি ঈ ও পাৎশোই তহশিলগী খুল নম্বর ৭৮-চঙাঙ্গৈগী পাট্টা নম্বর ৭৮/৪৪ (অরিবা), ১৪০ (অনৌবা), দাগ নম্বর ১৩২৬গী পোইন্ট ০.৩০ একর চাউবা ইস্ঘোল অসিগী কো পাট্টাদার অসি মৃত ওইখ্রে। অদুনা মরম ওইদুনা মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মহাক্কী স্বতনি হায়দুনা মমিংদা নামা পাঞ্জরগে হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেরোলনা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মৃত পাট্টাদারগা মরী লৈনবা/লৈনবশিং অমদি মচা-মশু, শাগৈ-নাতে কনাগুম্বনা য়েৎপীনীংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ১৯/০৯/২০১৯ ইংগী অয়ুক পুং ১১:০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই কোর্টকী হুকুম মখা চথুরগনি।

HL-P/4198/11 *Sd/-* **Sub-Deputy Collector**, Imphal West, Patsoi

---

ꯊꯥꯒꯠꯄ/খোঙ হান্বা খুদিংগী ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, খোঙ হান্বা চংগনি খনবদা হকচাংদা অৱাবা অমা ওইবা, খোঙ হান্বা লোইরকপদা অমাংথোঙদা য়াম্না চিকপা-শাবা, পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা পুক প্রিক-প্রিক খোংলগা পুকচেপ নাবা, চাকখাও শোকপা ফহনবগীদমক ওজা অজাদপু থাগৎচরি

ঐগী হকচাংদা নুংশঙনা য়াম্না শাংনা নাদুনা খোঙ হান্বা খুদিংগী ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, খোঙ হান্বা চংগনি খনবদা হকচাংদা অৱাবা অমা ওইবা, খোঙ হান্বা লোইরকপদা অমাংথোঙদা য়াম্না চিকপা-শাবা, অমাংথোঙ ময়াদা খুবিমুক চাউবা অমা পোমথোক্লগা দন-দন লাওরগা ফুরিগুম্না লৈবা, পোল্লগা লৈবা মফম অদু নাই ওমখৎলক্লগা য়াম্না চিকপা-নাবা, শা-ঙা, থাও, মোরোক হেন্না চাবা য়াদবা, পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা পুক প্রিক-প্রিক খোংলগা পুকচেপ নাবা, চাবা তুমদবা, থজিন শাউগৎপা, চানীং থক্লীংবা পোক্তবা, ঙকশম মরী নাবা, খ্বাং নাবা, লাইহৌ তোয়না হৌবা, খোঙয়া শাবা, অহিং তূম্বা য়াদবা, ফম্বী শোনবা, হকতিন্ননীংবা ইফাও ফাওদবা, শ্বর চনীং তানা হোনবা ঙমদবা, তাং-তাং চিকপা নাবা, শয়েং অনীমক নাবা, খোঙ হান্বদা শংলগা অদুম লৈনীংবা, খোঙ হান্বা লোইরকপদা অমাংথোঙদা মরেং-মরেং চৎলগা হাকৎচবা তৌবা অদু ওজা MV Azad Phusam ☎ 7628890261/9089738275 দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপুগী থৌজালদগী ফরে। মরম অসিনা ওজা Azad পু থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

ওজাগী লায়েংফমশিংদি :

1. Hatta, Opp. Oil Pump near Public Hospital, Imphal
2. Mayang Imphal Konchak Bazar (6am to 10am)
2. Bishnupur Bazar Ward No. 9 (only Saturday open)
3. Yairipok Bazar near traffic point. (only Sunday & Wednesday open)

HL-P/4178/11 *থাগৎচরিবা :* **M. Babu,** Keishampat

ꯊꯥꯒꯠꯄ/ অহানবদা খোঙ হান্বা খুদিংগী ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, অমাংথোঙ তঙ্খায় অমা পোল্লপ তৌরগা লৈরকপা, খোঙ হান্বা চাং নাইদবা, পুকচেপ অনীমক নাবা, কময়াদা নাবা, পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা পুক কংখৎলগা ঙা-শা চাবা য়াদবা, খুবীদগী তাংমুক শাংনা অমাংথোঙদা চোন্থরগা লৈবা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি

ঐগী হকচাংদা নুংশঙনা য়াম্না কন্না নাদুনা অহানবদা খোঙ হান্বা খুদিংগী ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, অমাংথোঙগী অকোয়বদা হাকৎচরি-হাকৎচরি তৌবা, খোঙ হামদ্রিঙৈগী মমাঙদা অমাংথোঙগী অকোয়বদু থোৎ-থোৎ লাওরগা চাউখৎলপ তৌরগা লৈবা, অয়ূক্কী খোঙ হান্বা লোইরবা মতুংদগীদি চাউরপ তৌরগা থোৎ-থোৎ লাওবা অদু ফবা, মতম খরা লৈরগা অমাংথোঙ তঙ্খায় অমা পোল্লপ তৌরগা লৈবা, অদুগা মতম খরগী মতুংদা খূৎবিগী তাংমুক চাউবা অমাংথোঙ মনুংদগী চোন্থরগা লৈবা, চোন্থরগা লৈবা অদুদগী মচুম তারকপা, ফম্বা মতমদা চোন্থরগা লৈবা অদুদগী ঈ তারকপা ফিদা তৈরকপা, হকচাংদা য়াম্না নুংঙাইতবা, খোঙ হান্বা চাং নাইদবা, খোঙ হান্বসু মতম কুইনা চংলকপা, মতম খরা লৈরগা খোঙ হান্বা য়ারক্তবা, পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা পুকচেপ অনীমক নাবা, কময়াদা নাবা, পুক কংখৎলগা নুংঙাইতবা, শা-ঙা চাবা য়াদবা, নোংমা শা কা হেন্না চাশিল্লুবদগী অমাংথোঙদা য়াম্না নুংঙাইরক্তবা, কোক ইরুমতা লুল্লগা য়াম্না নুংঙাইতবা, ঙকশম মরী নাবা, লেংজুম অনীমক চিকপা নাবা, খ্বাং নাবা, ফম্বী শোনবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট এন্দ নেসনল এৱার্দ ফংলবা **MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 9774274439, 8414825323** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wednesday & Saturday Open) (10 a.m. to 4pm.)

HL-P/3752/11 *থাগৎচরিবা :* **Kh. Premjit Singh,** Koirengei

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, SAWOMBUNG, IMPHAL EAST

Ref :- Mut. Case No. 723/SDC/SWG of 2019

Parties :- 1) Khagokpam Bhanachandra Singh S/o (L) Kh. Chaoba Singh of Kangla Shiphai
2) Khagokpam Abhinoy Singh S/o (L) Kh. Chaoba Singh of Kangla Shiphai
3) Khagokpam Sanaton Singh S/o (L) Kh. Chaoba Singh of Kangla Shiphai ...Petitioners

-Vs-

Late Pattadar - Khagokpam Tomba Singh S/o Khomdon Singh of Kangla Shiphai ...Opposite Party

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Sawombung, the 10th Sept. 2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি ঈ ঈ তহশিলগী খুল নং ৩৬- কংলা সিফাই পাট্টা নম্বর -- (অরিবা), ৪২ (অনৌবা), দাগ নম্বর ৭৭, মোট এরিয়া ০.৮৭ একর চাউবা লৌফমগী পাট্টাদার খাগোকপম তোম্বা সিংহ পীং খোমদোন সিংহ সাং কংলা সিফাই অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারিশিং অসিনা মৃতু পাট্টাদারগী মীং কল্লগা মখোয়গী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিংনা আপতি/ওবজেক্সন তৌনীংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা লাক্তুনা অইবা চে ওইনা আপতি পীরবা য়াগনি, মতুংদা লাকপা আপতি চে লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না থবক মখা চথুরগনি।

***Sd/-* I. Julius Singh**
HL-P/4204/11 Sub-Deputy Collector, Imphal East, Sawombung